**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) আই.দি.পি অঙাংশিং ঙাকপী শেনবীবা অমসুং মখোয়গী য়াইফনবা থৌরাংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীফম ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

২) ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট য়াওনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি।

৩) ইলেক্ট্রোনিক্স কম্পোনেন্টস মেন্যুফেকচরিং স্কিমগী অহুমসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা অনৌবা প্রস্তাব ২২ কেন্দ্রনা য়ারে।

৪) লৈবাক অসিদা হৌজিক চৎনরিবা লুপা ৫০০ চৎপীগী নোট অসি চৎনররোই হায়না সোসিয়েল মিদিয়াদা ফোংদোরকখিবা অদু অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না আর.বি.আইনা হায়রি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- লৌমীশিংগী শেন্থোক লম্বী হেনগৎহনবা হায়বসিনা কেন্দ্র সরকারগী মরুওইবা থৌরাং অমনি।

------

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ আই.দি.পি অঙাংশিং ঙাকপী শেনবীনবা থৌরাং অমসুং মখোয়বু হেন্না য়াইফনবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীফম অমসুং রাজ্য অসিগী আই.দি.পি অঙাংশিংগী এক্সন প্লানশিং লাউথোকপগী থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর

জিলাগী মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি মণিপুর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম.সি.পি.সি.আর), নিউ লাইফ ফাউন্দেসন (এন.এল.এফ) অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা পুন্না শিনবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা মীফমদা এম.সি.পি.সি.আরগী চেয়ারপার্সন্না আই.দি.পি অঙাংশিংবু ঙাকপী শেনবীনবা এক্সন প্লানশিং দিপ্যুতি কম্মিসনার বিষ্ণুপুরগী খ্থাংদা পীশিনখি। মসিদা আই.দি.পি অঙাংশিংগী হকশেল, লু-নান্না লৈনবগী থৌরাং, শিক্ষাগী তেংবাং, মখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা থৌরাংশিং য়াওরি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিগী ইমা কৈথেলগী ইমাশিং, ৱাংখৈগী সি.এস.ও, কৈনৌগী ৱার্দ মেম্বরশিং, থৌবালগী ক্লবগা নহাশিং, থরোইজম অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী প্রিন্সিপাল য়াওনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী খুলগী লুচিংবশিং অমসুং খুঞ্জাশিংগী লোয়নননা রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা মীফমশিং পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শঙাইকোট অমসুং ভেংগী কেম্পশিংদা ইন্তরনেসনেল মাইন বোদি ৱেলনেস ডে থৌরম পাঙথোক্তুনা যোগ অমসুং ফিটনেস সেসন কয়া পাঙথোকখ্রে হায়রি। থৌরম অসিদা মহৈরোই অমসুং নহা কয়া শরুক য়াখি। পুকিং ৱাখল ইংনা চিকা শান্তি ওইনা লৈহনবা ঙমবা পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি।

ফেলকোন (এল)ঃ সেটেলাইট ট্রান্সমিতর হাপখিবা অমুর ফেলকোন অমোম, অলাং অমসুং লাবা অপাপংগী ট্রান্সমিতর হৌজিক এক্তিভ ওইরি অমসুং বোটসৱানা অমদি জিম্বাবৱেদা লৈরি। ফেলকোনশিং অসি খৃষ্টমাস সিজন লোইদ্রিবা ফাওবদি মফমদুদা লৈরবা য়াই হায়রি।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমী রিংবম কামৈনা হায়- অদুবু অতোপ্পা ফেলকোন অমোম অহু কৌবা অদুদি নবেম্বর ১৯ দগী হৌজিক ফাওবা লেংদনা সোমালিয়াগী হোর্ন ওফ আফ্রিকাদা লৈরি। মঙোনদা হাপখিবা ট্রান্সমিতর এক্তিভ

ওইরি। অদুবু মফম লেংদবা অসিনা মঙোনদা করিগুম্বা খরা থোক্লমগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা লৈরি।

কেলেন্দর (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী ওইনা মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোমেন্ট গেরেন্তি এক্ট (এম.জি-নরেগা)গী চহি অসিগী ৱাল কেলেন্দর ঙসি ফোংখ্রে।

থৌবাল দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম কোওর্দিনেতরগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রোম কোওর্দিনেতর ফুরাইলাৎপম ভবানন্দ শর্ম্মনা ৱাল কেলেন্দর অদু ফোংখি। কেলেন্দর অসিদা এম.জি-নরেগাগী ওইবা মরুওইবা নুমিৎশিং হাপ্তুনা জোব কার্দ পায়রিবা মীওইশিংদা গ্যান তান্ননবা ৱাফম কয়া য়াওরি।

বেঙ্ক (এল)ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ কোর্পোরেসন, রেজিষ্ট্রার ওফ কোওপরেতিভ সোসাইতি অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসনশিং য়াওনা অমত্তা ওইনা পুন্না অফবা মরী থম্বা অমদি তেংবাংমিন্নদুনা কোওপরেতিভ সেক্তর হেন্না চাওখৎহন্নবা সেকমাইজিন টু তোকপা চীং য়ুনিয়ন ওফ দিভলপমেন্ট এজেন্সি অরোং খুনৌ ককচিংনা আপীল তৌরক্লি। মণিপুর ষ্টেট কোওপরেতিভ বেঙ্ক (এম.এস.সি.বি) লিমিতেদকী সোসাইতি অমদি বোর্দকী মীহুৎশিংগী মরক্তসু অফবা মরী থমনবা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

ৱেদর (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিং ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা লৈচিল কুংনা থাবগী অৱাবা মায়োক রবা য়াই হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়- অতৈ জিলাশিং সেনাপতি, উখ্রুল, চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাদদি লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই। অমরোমদা, রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা থোকপা ৱেদর রিপোর্টকী মতুংইন্না

ঙসি সেনাপতি জিলানা সেলসিয়স দিগ্রি ৫.৫৯ ওইদুনা খ্বাইদগী ইংবা জিলা ওইরে। ইম্ফাল ৱেষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রি ৬.৬৮ অমসুং উখ্রুল জিলানা ৭.৩ য়ৌনা ইংলে।

কন্দেম (এল)ঃ রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মণিপুরনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী রগাইলোং খুলদা লৈবা ডাঃ লিন্দা মরাংমৈগী য়ুমদা নোংমৈ মরু অমসুং অকি তুজং পোকহনবা চেরোল অমা থল্লম্ববু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিগী চেরোল অমদা- অসিগুম্বা অকি অখঙ পোকহনবগী থৌওংশিং অসি অমুক হন্না তৌবীদনবা অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিতিনা মীৎয়েং চংবীনবা তকশিল্লি।

ইলেক্ট্রোনিক্স ঃ ইলেক্ট্রোনিক্স কম্পোনেন্টস মেন্যুফেকচরিং স্কিমগী অহুমসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা অনৌবা প্রস্তাব ২২ কেন্দ্রনা য়ারে। পস্তাবশিং অসিদা পুন্না লুপা কোতি লিশিং ৪১,৮৬৩ থাদরবা য়াই হায়রি। অয়াবা পীরবা থৌরাংশিং অসিগী মনুংদা মোবাইল শাবা, টেলিকোম, কঞ্জুমর ইলেক্ট্রোনিক্স, ষ্ট্রেটেজিক্স ইলেক্ট্রোনিক্স, ওতোমোতিভ অমসুং আই.টি. হার্দ ৱায়ার য়াওনা টার্গেট সেগমেন্ট প্রদক্ট মখল ১১ শাবগী অয়াবা য়াওরি। প্রোজেক্ট অসিনা লুপা কোতি লাখ ২ লিশিং ৫৮ গী পোথোক পুথোকবা পান্দম থল্লি। মসিনা মীওই লিশিং ৩৪ দা থবক ফংহল্লগনি।

ইলেক্ট্রোনিক অমসুং আই.টি. মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- থৌরাংশিং অসি মোদি সরকার অসিগী ওইনা য়ামা চাউবা মায় পাকপা অমনি। ইলেক্ট্রোনিক কম্পোন্টে মেন্যুফেকচররশিংনা কম্মন ওইবা দিজাইনশিং শেমবা মরুওইনা দিজাইন টিমশিংদা মন্ত্রিনা খঙহনখি।

ইলেক্ট্রোনিক অসি মালেমগী ওইনা শেল থুমগী লমদা অথোই অহেন তান্নবদা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লল্লোন ঈতিক তৌবদা য়ামা খুমাং য়াংনা চংশিল্লিবা লম অমনি। ঙসি অয়াবা পীখিবা প্রোজেক্টশিং অদু লৈবাক অসিগী রাজ্য ৮- অন্দ্র প্রদেশ, হরিয়ানা, করনাতক, মধ্য প্রদেশ, তামিলনাদু, উত্তর প্রদেশ অমসুং রাজস্থানদা পায়খৎকদবনি।

আরবিআই ঃ সোসিয়েল মিদিয়াদা চহি অসিগী মার্চ থাদগী লৈবাক অসিদা হৌজিক চৎনরিবা লুপা ৫০০ চৎপীগী নোট অসি চৎনররোই হায়না ফোংদোরকখিবা অদু অরানবা য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না আর.বি.আইনা হায়রি।

পি.আই.বিগী ফেক চ্যেক য়ুনিতনা হায়- আর.বি.আইনা লুপা ৫০০ চৎপী নোট অসি চৎনররোই হায়না লাউথোকখিবগী ৱাফম অমত্তা লৈতে। য়ুনিত অসিনা হায়- ৫০০ চৎপী নোট অসি হৌজিক মখা তানা লিগেল টেন্দর ওইনা চৎনখিগনি।

কনফরেন্স ঃ জাতিগী টেক্সতাইলস মন্ত্রিশিংগী মীফম থা অসিগী ৮ অমসুং ৯ দা অসামগী গুৱাহাতিদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

টেক্সতাইলস মন্ত্রালয় অমসুং অসাম সরকারনা পুন্না শিনগদবা থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদি- ৱিভিং গ্রোথ হেরিতেজ এন্দ ইনোভেসন হায়বসিনি। নুমিৎ নিনিগী মীফম অসিদা রাজ্য অমসুং কেন্দ্রগী সরকারগী টেক্সতাইলস মন্ত্রিশিং অমসুং টেক্সতাইলসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং পন্না ফম্মিন্নদুনা ভারতপু মালেমগী ওইনা টেক্সতাইল মেন্যুফেকচরিং হব অমা ওইহন্নবা খন্নগনি।

অহৌবগী সেসনদা কেন্দ্রগী টেক্সতাইলস মন্ত্রি গিরি রাজ সিংহ, অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা, টেক্সতাইলসকী রাজ্য মন্ত্রি পাবিত্রা মারঘেরিতা শরুক য়াগনি। নুমিৎ নিনিগী মীফম অসিদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, টেকিকেল টেক্সতাইলস, লল্লোন ঈতিক পাকথোক চাউথোকহনবা, টেক্সতাইলগী মচাক মথুমশিংগী মতাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা খন্নগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অহমেদবাদকী ফ্লাৱার সো অসিনা লৈবাক অসিবু অমত্তা ওহনা পুনশিনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌবতা নত্তনা হৈ-শিংবা উৎথোকপা অমসুং মীয়ামনা শরুক য়াবগী ৱাখল্লোনবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- ইভেন্ট অসিনা সহর অসিগী মীয়ামা মহৌশাবু নুংশিবগী ৱাখল্লোন অদু উৎথোক্লি। মহাকা হায়- চহি খরা অসিদা ফ্লাৱার সোগী পাঙথোকপগী

থৌরমশিং চাং ৱাংখৎলক্লি। ১৪ শুবা অহমেদবাদ ইন্তরনেসনেল ফ্লাৱার সো ঙরাং সহর অসিদা হৌখিবনি। সো অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদি ভারত এক গথা হায়বসিনি। মসিদা লৈবাক অসিগী মখল মথেল কয়াগী ইনাক খুল্লবা নাৎ অমসুং সংস্কৃতিসু উৎলি। থৌরম অসি থা অসিগী ২২ দা লোইশিনগনি।

নদ্দা ঃ হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা হায়রি- ভারত অসি দব্লিউ.ঐচ.ও ফারমাকোভিজিলেন্স কন্ত্রিব্যুসনদা মালেমগী ওইনা ৮ শুবা মফমদা লৈরে। মসি চহি ১০ গী মমাংদদি ১২৩ শুবা মফমদা লৈরম্বনি।

নিউ দিল্লিদা ইন্দিয়াজ ওফিসিয়েল বুক ওফ ড্রগ ষ্টেন্দর্দ, ইন্দিয়ান ফারমাকোপিয়া ২০২৬ কী ১০ শুব ইদিসন ফোংবগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-নৌনা পুথোকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মোনোগ্রাফ ১২১ হাপচিনখিবগা লোয়ননা হৌজিক পুন্না মোনোগ্রাফ লিশিং ৩,৩৪০ শুরে। শ্রী নদ্দানা হায়- ঈগী লায়নাশিং থালেসেমিয়া, হেমোফেলিয়া, এনেমিয়া অমসুং ব্লড ত্রান্সফ্যুজনগী মতাংদা অহানবগী ওইনা পুথোকখিবা ব্লড কম্পোনেন্ট ২০ গী মোনোগ্রাফ অসিনা লম অসিদা থিজিন খোচিনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি। মহাকা হায়-লম অসিদা ব্লড কম্পোনেন্টশিং য়াওহনবা লৈবাক অসি ভারতনা অহানবা ওইরে। নৌনা হাপচিল্লিক্লিবা মোনোগ্রাফশিং অসিনা নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম, এনেমিয়া মুক্ত ভারত অমসুং য়ুনিভর্সিয়েল ইম্ম্যুনাইজেসন প্রোগ্রামশিংদা হকথেংননা কান্নবা ফংহল্লগনি। ইন্দিয়ান ফারমাকোপিয়া অসি মালেমগী খা থংবা লৈবাক ১৯ না মশক খঙলে।

এগ্রিঃ কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীগী য়াইফ থৌরাং মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- লৌমীশিংগী শেন্থোক লম্বী হেনগৎহনবা হায়বসিনা কেন্দ্র সরকারগী মরুওইবা থৌরাং অমনি।

নাসিক্তা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- তোঙান তোঙানবা লৌমীশিংগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী স্কিম কয়া সরকার অসিনা পায়খৎলে। লৌউ শিংউগী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা তঙাইফদবা থৌরাংশিং পায়খৎকনি হায়বগী থাজবসু মন্ত্রিনা মীয়ামদা পীখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ ২২ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.সি.সি ৱাংখৈনা এল.সি.সি. লিলোং চজিংবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে। মেটচ অসিদা রন ৪২ অমসুং ৱিকেট অনি লৌখিবা ৱাই.সি.সিগী এভরেষ্টনা মেন ওফ দ মেটচ তাখি। হয়েং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং ৱাই.পি.ঐচ.য়ু ললাম্বুং শান্নগনি।

কোলকাতাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ৱিমেন্স অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ত্রোফি ইলিটকী মেটচ অমদা রাজস্থান্না মণিপুরবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ৱুসু ঃ মমাং চহিগী দিসেম্বর ২৪ দগী ৩০ ফাওবা ছত্তিসগরগী রাজনন্দ গাউদা পাঙথোকখিবা ৯ শুবা ফেদরেসন কপ নেসনেল ৱুসু চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ দা য়ুনিভর্সিয়েল ৱুসু একাদমি থৌবালগী শান্নরোই মঙানা মেদল লৌরকপা ঙমখ্রে।

ফুটবোল ঃ হাওরৈবী নোর্দন ষ্টার ক্লব অমসুং হাওরৈবী অপুনবা এফ.সিনা পুন্না শিনবা ৬ শুবা চন্দ্রনদি ত্রোফি ২০২৬ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হাওরৈবী কাংজৈবুংদা হৌরগনি।

এম.পি.এ থৌনাউজমনা শিন্দুনা থৌনাউজম প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহুমসুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ফ্রেন্স এফ.সিনা এম.পি.এ টিম-বিবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.পি.এ টিম-এনা ঐচ.এফ.সি লাংমৈদোংবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে।

পেনচাক ঃ দমন দিউনা য়ুম্ব্ ওইদুনা থা অসিগী ৫ দগী ১৩ ফাওবা ঘোগলা বিচতা পাঙথোক্কদৌরিবা অনিসুবা খেল্লো ইন্দিয়া বিচ গেমসতা শরুক য়ারুগদবা কোচ য়াওনা মীওই ১২ না শাবা মণিপুর পেনচাক সিলাক টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

------